# ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপী ফুটবোল টিম মোঙ্গোলিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমগী মখূত্তা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিখ্রে

*উলানবাটার, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি য়ু–১৬ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফিকেসন মেটচ ওইনা ঙসি মোঙ্গোলিয়াগী কোনুং উলাবাটারনা শান্নখিবা গ্রুপ মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপী ফুটবোল টিম মোঙ্গোলিয়াগী মখূত্তা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়া গ্রুপ ‘বি’ দা মেটচ ২ শান্নখিবদা অনীমক মায় পাক্কুনা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা লৈখিবনি।

ঙসি ইন্দিয়া অমসুং মোঙ্গোলিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু মোঙ্গোলিয়ানা য়ুম্বু ওইখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা অহানবা হাল্ফ অদু দোমিনেট তৌদুনা শান্নরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লদুনা শান্নখিবদগী মতম খরা পাঞ্জল চনশিনহনবা ঙমদনা থমখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ইনিদয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এভেকানা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙহনখি। মতম অদুদা মোঙ্গোলিয়াগী ক্রাউদশিং অদু তুমিন্না লৈখি।

মোঙ্গোলিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা ইনিদয়াগী মায়কৈদা বোল তোয়না তোয়না পুশিন্দুনা এটেক কয়া তৌরকখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা মোঙ্গোলিয়াগী শান্নরোই গান্টামুরনা য়াম্না নক্না কাউশিল্লকখিবা সোট অমা ইনিদয়াগী গোলকিপর মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা মোঙ্গোলিয়াগী মায়কৈদা এটেক হেন্না চথবা হৌরকখি। শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অভেকান টিমমেট সুনিতানা পিরকপা পাস নীংথিনা কলেক্ট তৌরগা গোল তম্না কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ১–১ দা মান্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা ইনিদয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এভেকানা য়াম্না নক্না কাউশিনখিবা সোট অমা মোঙ্গোলিয়াগী গোলকিপর খালিয়ুননা ফাখিবদগী পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ইন্দিয়ানা মাঙজখি।

শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা মোঙ্গোলিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা খুলানগুনা য়াম্না নক্না কাউশিনখিবা সোট অমা পাঞ্জল ওইদুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৭ রোমগী মতম অদুদা ইনিদয়াগী শান্নরোইশিংনা শোৎখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি মোঙ্গোলিয়াগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু য়ুম্বু ওইখিবা মোঙ্গোলিয়ানা ইনিদয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ ‘বি’গী অরোইবা মেটচ ওইনা লাউসকা থা অসিগী ২৩দা শান্নরগনি। করিগুম্বা মেটচ অসি ইন্দিয়ানা মায় পাকপা তারবদি অনীশুবা রাউন্দ শোয়দনা চঙলগনি। লাউসকা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি ইন্দিয়ানা থোইবগী চাংৱাংনা লৈরি।

# এসিয়া কপ ২০১৮
# অফঘানিষ্টাননা বংলাদেশপু রন ১৩৮ দা মায়থিবা পীখ্রে

অবু ধাবি, সেপ্টেম্বর ২১ঃ

এসিয়ান কপ ২০১৮ গী অবু ধাবীগী অবুগী সৈ য়াজেদ ষ্টেদিয়মদা বংলাদেশ অমদি অঘানিষ্টান টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা অঘানিষ্টাননা বংলাদেশপু রন ১৩৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা অঘানিষ্টাননা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা অঘানিষ্টাননা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৫৫ লৌবা ঙমখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা অঘানিষ্টানগী শান্নরোই মোহমদ সাহজাদ (ৱিকেট কিপর) না বোল ৪৭ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৭, ইসানুলাহ জনাটনা বোল ৪ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ৮, রাহমদ সাহনা বোল ১৭ তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১০, হাসমাটুল্লহ সাহিদিনা বোল ৯২ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫৮, অসঘার অফঘার (কেপ্টেন) না বোল ১৬তা রন ৮, সমিওলাহ সেনৱারিনা বোল ৩১ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৮, মোহমদ নাবিনা বোল ২৪ দা রন ১০, গুলবাদিন দাইবনা বোল ৩৮ দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪২, রাসিদ খাননা বোল ৩২ দা ফোর ৮ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৫৭ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা বংলাদেশকী বোল্লর রুবেল হোসেননা ওভর ৬ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩২, অবু হিদর রোনিনা ওভর ৯ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৫০, মেহিদি সহাননা ওভর ৮ দা রন ২১, মস্রেফে মোরটাজা (কেপ্টেন) না ওভর ৮ দা রন ৬৭, সাকিব অল হসননা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৪২, মোসাদেক হোসেননা ওভর ৪ দা রন ১৮, মোমিনুল হাগনা ওভর ৩ দা রন ১৫ অমদি মাহমুদুল্লহনা ওভর ২ দা রন ২৫ পীখি।

অনীশুবা ইন্নিংস তৌখিবা বংলাদেশনা ওভর৪ ৪২.১ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১১৯ লৌদুনা অঘানিষ্টানগী মখুৎতা রন ১৩৬ তা মায়থিবা নঙখিবনি।

ইন্নিংস অসিদা লৌখিবা বংলাদেশকী রনশিং অদু–লিতোন দাস (ৱিকেট কিপর) না বোল ১৪ দা রন ৬, নাজমুল হোসেন সন্তুরনা বোল ১৩ দা রন ৭, সাকিব অল হসননা বোল ৫৫ দা রন ৩২, মোমিনুল হাগনা বেবল ১৭তা রন ৯, মোহমদ মীথুননা বোল ৭তা রন ২, মাহমুদুহল্লহনা বোল ৫৪ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৭, মোসাদেক হোসেননা বোল ৬০ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৬, মেহিদি হসননা বোল ১০ দা রন ৪, মশ্রাফে মোর্টজা (কেপ্টেন) না বোল ১১ দা রন ০, অবু হিদর রোনিনা বোল ১১ দা রন ১ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা অঘানিষ্টানগী বোল্লর অফতাব অলামনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১১, মুজিব য়োর মহমদনা ওভর ৮.১ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ২২, গুলবাদিন নাইবনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৩০, মোহমদ নাবিনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৪, সমিওল্লহ সেনৱারিনা ওভর ২ দা রন ১২, রসিদ খাননা ওভর ৯ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১৩ অমদি রহমদ সাহনা ওভর ২ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৭ পীখি।

# ৱুমেন্স বোক্সিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি মেরি কোম ৬শুবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌননবা মীৎয়েং থল্লি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২১ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা দিকেদ অমগী মতুংদা লৈবাকসিগী কোনুং দেলহিদা ৱার্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সি পাঙথোক্লগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা ইন্টরনেসনেল বোদিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। চেম্পিয়ন্সিপ অসি নভেম্বর ১৩ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়নসু ইন্টরনেসনেল ৱার্ল্ড বোক্সিং এসোসিয়েসন (এআইবিএ) না মখা তানা ফোঙদোরক্লি। চেম্পিয়ন্সিপ য়াওগদবা লৈবাকশিংগী শান্নরোইশিংনা নভেম্বর ১৩ গী মমাংদা দেহলিদা থুংলগদবনি হায়নসু খঙহল্লক্লি। নভেম্বর ১৯ দা ক্বাটর ফাইনেল রাউন্দ লোইশিল্লগা নভেম্বর ২০ রেষ্ট–দে ওইগনি হায়রি।



এ আই বি এ না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বাউত মনুংদা সর্টিফাইদ কোচ অমত্তমক রিং সাইদতা লৈহনগদৌরি।

শিংথানিঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট অসি ইং ২০০৬ তা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়ান গোল্ড ৪, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ১ ফংদুনা মেডল টেলিদা মকোক ওইবা ঙমখি। য়াম্না শিংথনিঙাই ওইবা ৱাফম অমনা মালেম পুম্বনা “মেগনিফিসেন্ট মেরি” হায়না খঙনবা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিণপুরী মচা এমসি মেরি কোম্না হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসি ৬লক শুবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌননবা লৈজবি পাঙ্গল লৌশিং শিজিন্নদুনা শান্নবা উবা ফংলগনি। মহাক্না হান্ননা ২০০২, ২০০৫, ২০০৬, ২০০৮ অমদি ২০১০ দা ভরক গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবীনি।

ওফিসিয়েলশিংনা খঙহল্লকদা এআইবিএগী দাটবেজদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী দেদলাইন ওক্টোবর ৫ দা ওইগনি হায়রি।

নিংশিংবা য়াই মদুদি ২০১৬ কী ইদিসনদা ইন্দিয়ানা সেনিয়র লাথরগী সিলভর মেডল অমখক্তংনা মায় ঙাকখিবনি। অহানবা ইদিসন্না ২০০১ য়ুএসএ দা পাঙথোকখি।

# চেছ ওলেম্পিয়াদতা আনন্দ অমদি হম্পিনা নুপা অমসুং নুপীগী লুচিংবা ওইরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ঃ

জিওর্জিয়াগী সহর বাতুনিদা সেপ্টেম্বর ২৪ দগী হৌগগৌরিবা চেছ ওলেম্পিয়াদতা নুপাগী কাংলুপ্তা বিশ্বনাথন অনন্দ অমদি নুপীগী কাংলুতা কোনেরু হম্পিনা লুচিংদুনা শান্নরোই ৫।৫ না শাবা টিমশিং বাতুনিদা থুংখ্রে। ওলেম্পিয়ান অসিদা আর বী রমেশনা নুপাগী কোচ অদুগা জাকোব আগার্দনা নুপীগী কোচ ওইনা লোইনরি। ইন্দিয়ান টিমগী ওইনা হন্দক্কী ওলেম্পিয়াদগী স্বৱাদতা আনন্দ অমদি হম্পি য়াওবনা মরম ওইদুনা মোরেল ৱাংনা লৈখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা ইন্দিয়ান স্কৱাদ অসি মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। বিশ্বনাথন আনন্দ অমদি কোনেরু হম্পি হান্ননা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবা চেছ শান্নরোই ঙাক্তনি। মখোয়দা নত্তনা অতৈ নুপা শান্নরোইশিং হরি কৃষ্ণ, ডিদিৎ গুজ্রাথি, কে সসিকিরন অমসুং বি অধিবন চেছ ৱার্ল্ডদা মমিং লৈরবা শান্নরোই ঙাক্তনি। নুপী কাংলুপ্তসু দি হরিকা, তানিয়া সচদেব, ঈশা করাভদে অমদি পদমীনি রৌট ৱার্ল্ড ক্লাস চেছ শান্নরোই ঙাক্তনি।



২০১৬ কী চেছ ওলেম্পিয়াদতা ইন্দিয়ানা নুপাগীদা মরিশুবা অমদি নুপীগীদনা ৫শুবা তাহৌদুনা নিংবা কাইনা লৈহৌখি। রাউন্দ ১১ শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা মশা ফিট ওইননবা ইনিদয়ান ফুদসু থৌরাং তৌখ্রে হায়রি লোয়ননা হৌজিক ইষ্টানবুলদা শান্নরিবা পি হরিকৃষ্ণসু ইরাই নুমিত্তা বাতুনিদা থুংখ্রে। মাগী টিমমেটশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা বিশ্বনাথন আনন্দনা ফোঙদোকখিবদা মশামক য়াওদ্রবসু হান্ননা থাক ৱাংনা লৈরিবা ইন্দিয়ান টিমনি, হন্দক্কী ওলেম্পিয়াদ অসিদগী ইন্দিয়াগী মেডল লৌবগী আশা য়াম্না ৱাংলি। অনন্দনা ২০১৪ দা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি লোয়ননা ২০১৬ তদি মরিশুবা মফমদা লৈহৌদুনা নিংবা কায়খিবনি।

# ২৭শুবা বোইজ অমসুং ২০ শুবা গার্লস সব–জুনিয়র অটিয়া পাট্রিয়া নেসনেল চেম্পিন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ঃ

থা অসিগী ২৭ তগী ৩০ ফাওবা হিমাচল প্রদেশকী কঙ্গ্রা দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭শুবা বোইজ অমদি ২০শুবা গার্লস সব–জুনিয়র অটিয়া পাটিয়া নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি– নুপাগীদা বোরিস থোকচোম, থৌনাওজম দিয়াসন, বিরোন থোকচোম, সাইখোম জেক্সন, কোংগ্রাইলাৎপম চান্দ শর্ম্মা, কোংগ্রালাৎপম প্রেম শর্ম্মা, তেনিসন থোকচোম, সাপম পিটরজিৎ সিংহ, খাইগেম্বম লোরেস সিংহ, নিংথৌজম সুরজকন্তা সিংহ, য়াংলেম বোরিস সিংহ, ৱারেপম খাগেন্বা সিংহ নি।

নুপীগীদা নিংথৌজম সুসিত্রা দেবী, সাপম প্রিটি দেবী, অহোংশঙবম মেরিয়া, য়াইথোই অকোইজম, ৱাইখোম রতনা, সিমরান লাইশ্রম, প্রিয়ানকা খোইস্নাম, রোসি থিংঙোম, ৱাহেংবম লনচেবী চনু, সাইরেম পোনিতা দেবী, লোইতোংবম পুরনিমা দেবী, লাইশ্রম কেজোল দেবী নি।

ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়াগদবশিং অদুদি– ওইনাম দিনেসকুমার সিংহ (কোচ), থৌদাম অকাসকুমার সিংহ (মেনেজর), য়ুম্নাম অজিৎকুমার সিংহ (কোচ), লাইশ্রম কাভিতা দেবী (মেনেজর) নি।

# যুএস ওপনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবী জপানগী ওসাকানা জেক রিপব্লিক্কী ষ্ট্রাইকোভা থোইদুনা টোরে পান পেসিফিক ওপনগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*টোকিও, সেপ্টেম্বর ২১ঃ*

জপানগী কোনুং টোকিওদা চথরিবা টোরে পান পেসিফিক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা য়ুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল নৌনা ফংখ্রবী জপানগী নাওমী ওসাকানা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা সেট জপানগী ওসাকানা জেক্কী ষ্ট্রাইকোভাগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু জপানগী ওসাকানা ফজবা হেনখিবদগী ষ্ট্রাইকোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা ইটালিগী কামিলা জিওর্জিগা শান্নরগনি।

ইটালিগী জিওর্জিনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকাবু অহানবা সেট ৫–৩ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈদা এজারেনকা মশা শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ইটালিগী জিওর্জি সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

টোরে পান পেসিফিক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা অমসুং ক্রোএসিয়াগী দি ভেকিক শান্নরগনি।

৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুএসকী এ রিস্কেবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৬–১, ৬–৭(৫–৭), ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

প্লিজকোভাগা সেমি ফাইনেলদা শান্নগদৌরিবী ক্রোএসিয়াগী দি ভেকিকনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টোরে পান পেসিফিক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী সেষ্টিনি লাভাকোভা অমসুং বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা জপানগী এম কাটো অমসুং এম নিনোমিয়াগা শান্নরগনি।

অহানবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী সেষ্টিনি লভাকোভা অমসুং বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসকী আর অটাৱো অমসুং জর্মনিগী এএল গ্রোনেফিল্ডবু ৬–৩, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

অমরোমদা জপানগী পেয়র এম কাটো অমসুং এম নিনোমিয়ানা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা ২শুবা সিদেদ পেয়র কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কি অমসুং চাইনাগী ৱাই ঝুবু ৭–৬(১০–৮), ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

# অর্জেন্টিনাগী ষ্ট্রাইকর অগুইরে ২০২১ ফাওবা মাঞ্চেষ্টর সিটিদা শান্নরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ঃ

ইং ২০১১ দগী স্পেনগী ক্লব এথলেটিকো মেদ্রিদতগী মাঞ্চেষ্টর সিটিদা সাইন তৌরক্কুনা সিজন ৮ শান্নরকপদা গোল ২০৮ চনবা ঙমখ্রবা অর্জেন্টিনাগী ষ্ট্রাইকর সর্জিও অগুইরেনা অমুক্কসু চহি অমগী সাইন তৌনদুনা ২০২১ ফাওবা ক্লব অসিদা শান্নখিগনি হায়রি।



প্রেমিয়র লীগ ৫ শান্নবদা গোল ৩ চনবা ঙম্মিবা অর্জেন্টিনা ইন্টনেসনেল অসিনা দিকেদ অমা মাঞ্চেষ্টর সিটিদা শান্নরগনি খনবদা অপেনবা ফোঙদোকখ্রে। মশাগী চহি ৩০ শুরবা ফুটবোল্লর অসিনা ক্লব অসিদা য়াওরকপদগী প্রেমিয়র লীগ টাইটল ৩ অমদি ই এফ এল কপ অহুম্লক লৌখ্রে।

মহাক্কী খ্বাইদগী ফজখিবা ক্লব অসিগী ওইনদি ২০১৬–১৭ তা সিটি সর্ট লীত্তুনা গেম ৪৫ দা গোল ৩৩ চনবা ঙমখিবদুনি হায়না ফোঙদোকখি।

# জিট কুন–দোগী শান্নরোইশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ঃ

শ্রী লঙ্কাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ান জিট কুন–দো চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ান্নবগীদমক মণিপুর শান্নরোই অনী– জুনিয়র বোইজ সমানন্দ লাইশ্রম, সেনিয়র মেন খোংবান্তবম ওসিন সিংহ, অমদি টেক্নিকেল ওফিসিয়েলদা ডাঃ মোইরাংথেম ইবোমচা (ইন্টরনেসনেল জজ) ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না জিট কুন–দো এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা খঙহল্লক্লি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*